# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-12-2024)**

**কেবিনেট (এল)**ঃ রাজ্য সরকারগী মন্ত্রি-মন্দলগী ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অমনা লৈমখোং আর্মি কেম্পতগী মাঙখিবা লাইশ্রম কমলবাবুগী কেস অসি সি.বি.আইদা শিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

পাউ খরনা হায়-মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসি থেংননবা ৱাফম কয়াসু খন্নখি। মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিং লৈতবা য়াওরকপা মতমদা মখোয়গী মথৌ মঙম পাঙথোকবা সরকারনা পীবা শেলগী তেংবাং হেনগৎনবা ৱারেপসু লৌখি।

মীফম অদুনা লৈখিদ্রবা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা ডা: মনমোহোন সিংহবু ইকয় খুমবা উৎপা ওইনা জাতিগী ফিরাল থা অসিগী ২৬ তগী মথং চহিগী জানুৱারী অমা ফাওবা তঙ্খায় চিংথদুনা থমবসু ৱারেপ লৌখি।

**আইএলপি (এল)**ঃ ইন্নর লাইন পার্মিট (আই.এল.পি) সিষ্টেমগী চৎন-কাঙলোনশিং থুগায়দুনা লৈরম্বা মপান লমগী শিন্মী মরি ঙরাং পুলিসনা ফারে।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-মপান লমগী শিন্মীশিং অদু থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পিশুনহা ৱাটর রিজাভরদা থবক শুবনি। মখোয় মতম লোইরবা আই.এল.পি. কার্ড পায়দুনা মতম শাংনা লৈশিল্লম্বা থেংনখিবনি। য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী কাংবু অমনা মীওইশিং অদু মফমদুদগী ফারবা মতুংদা থৌবালগী ইগজকিটিব মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা পুথোকখি। আই.এল.পি.সিষ্টেমগী চৎন কাঙলোনশিংগী মখাদা মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি। মখোয়বু মশাগী ময়ুমদা থিন্দোকখিনবা থবক পায়খৎলে।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিদা আই.এল.পি. সিষ্টেম নীংথিনা চৎননবা হোৎনবদা ইমপ্লোয়রশিং, ঠিকাদারশিং অমদি মীয়ামনা সরকারদা নীংথিনা মতেং পাংবীয়ু।

**কেম্প (এল) ঃ** চীফ মেদিকেল ওফিসার-ইম্ফাল ৱেষ্টনা নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইনেস এন্দ ভিজ্যেল ইমপ্রিয়ারমেন্ট ইম্ফাল ৱেষ্টকা খুৎশম দুনা নোংমগী ওইবা লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী থরোইজম কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা মফম অদুগী অকোইবদা লৈবা খুঞ্জা ৩০০ লোম লায়েংখিবগা লোয়ননা অনোকসু য়েন্থোকখি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১১৭ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্নুনা তাহনগনি। মসি নুমিদাং পং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। অতৈ লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

**উনঃ** হিমাচল প্রদেসকী অৱাংবা মফমশিংদা মখা তানা হৌজিকসু উন কা হেন্না তারি অদুগা অনেম্বা মফমশিংদনা পারপনা নোং চুরি। কা হেন্না উন তাবা অসিনা মরম ওইরগা নেসনেল হায়ৱে অহুম য়াওনা লম্বী ১৫০ চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদ্রে।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-অৱাংবা মফমশিং মখা তানা উন তাখিগনি অমদি

অতৈ মফম কয়াদনা ঙসি অয়ুক ফাওবা নোং তাখিগনি। মসিনা মফম অদুগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। মফম কয়াদা মৈ ফংদ্রে।

উত্তরাখন্দগী মফম কয়াদসু ঙরাংদগী উন তাবা হৌরে। উন তাবনা মরম ওইরগা চৎথোক চৎশিনদা অপনবা কয়া থোক্লিবা অদু শেংদোকপগী থবক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা পাঙথোক্লি। ফিভম অসিগী য়েংলগা ধেরাদুনদা লৈবা স্কুল অমদি অঙ্গনৱাদি সেন্টর পুমমক ঙরাংদগী হৌরগা মথং চহিগী জানুৱারী ৪ ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে।

**এসসিঃ** তোঙান তোঙানবা লৌমীশিংগী দাবী কয়া তৌরদুনা নবেম্বর ২৬ তগী শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লকখিবা পঞ্জাবকী লৌমীগী লুচিংবা-জগজিৎ সিংহ দালেৱালবু পঞ্জাব সরকারনা হোস্পিতালদা পুখৎনবা হোৎনদে হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

লৌমী লুচিংবা জগজিৎ সিংহনা মিনিমম সপোর্ট প্রাইসতা লিগেল গেরেন্টি পীনবা, লৌমীশিংগী লোন কোকবা অমদি এগ্রীকলচরেল রিফোমনচিংবা ৱাফমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৌমীশিংগী দাবী কয়া পুখৎতুনা চরাং হেনবগী খোঙজং চংশিল্লকখিবনি।

**ফিল্মঃ** ২১ শুবা থার্দ আই এসিয়ান ফিল্ম ফেষ্টিবেল মুম্বাই অমসুং থানেদা মথং থাগী ১০ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। ফেষ্টিবেল অসিগী মনুংদা পুন্না ফিল্ম ৬১ উৎকনি।

অহৌবা নুমিৎতা চাইনিজ ফিল্ম-‘দা ব্লেক দোগ’ উৎকনি। ফিল্ম অসি কান্স ফিল্ম ফেষ্টিবেলগী য়ু.এন.সরর্টন রিগার্দ সেক্সনদা খ্বাইদগী ফবা ফিল্মগী মনা ফংখিবনি। কুমশি চহিগী ফিল্ম ফেষ্টিবেল অসিদা শকাইরবা স্ক্রিন রাইটর অমসুং ঈশৈ ময়েক ইবা-জবেদ অক্তারবু এসিয়ান ফিল্ম কলচর এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুম বা উৎকনি।

জর্নেলিষ্ট-রাফিক ভাগদাদিদা সৈত্যজিৎ রে মেমোরিএল এৱার্ড পীগনি।

**সন্তোসঃ** ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ট্রোফিগী সেমি ফাইনেল মেটচশিং ঙসি হায়দ্রবদকী দেকান এরেনাদা শান্নরগনি।

অহানবা সেমি ফাইনেলদা নোংচুপ বেঙ্গোলগা সাভির্সেসকা নুংথিল পুং অনি মখায়দা শান্নগনি। অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা মনিপুরগা কেরলা এফ.সিগা নুমিদাং পুং ৭ মখায় তাবা মতমদা শান্নগনি।

ফাইনেল লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ মখায় তাবা মতমদা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কমল বাবু মাঙখিবগী কেস সি.বি.আইদা শিন্ননবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবা, সনাশাবীদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা এট্রেক চত্থরক্লে, পাউমী অমা শোক্লে অমসুং লৈবাক্কী থাক্তা ইকায় খুমদুনা মনমোহোন সিংহগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনা লৈবাক্তা-কমল বাবু মাঙখিবগী কেস সি.বি.আইদা শিন্ননবা মন্ত্রি-মন্দলনা ৱারেপখ্রে হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা চহি ১৫ হেল্লবা গাড়ি স্ক্রেপ তৌনবা দ্রাফট পোলিসি য়াখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর নিউজ, হুইয়েন লানপাউ, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসনচিংবা পাউ চে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

সনাশাবীদা কুকি লালহৌবশিংনা এট্রেক চত্থরক্লে, ইন্সপেক্ত টি.ভিগী পাউমী অমা নোংমৈনা পানবদগী শোক্লে হায়বা পাউনা পোকফমদা অহানবা

হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

মনিপুর নিউজতা-এ.আরনা পি.আই.সি. অমসুং পাসপোর্ট পায়বা খক্তমক বোর্দর পাস ইশু তৌগদৌরি। ম্যান্মারদগী চঙলকপা খুদিংমক বাইওমেট্রিক আইদেন্টিফিকেসন লৌগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-এসেমব্লিগী ফমগদবা সেসন মশিংগী মতাংদা অৱাই আখুম লোইদ্রি, লো মিনিস্তরনা চহি অমদা সেসন অনিখক ফমগদবনি হায়রিবসি করম্বা ওথোরিতিগী মতুং ইন্না হায়বনো হায়না ও. জয়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গভর্ণরদি লাক্লনি, চীফ সেক্রেটরিদি খঙদ্রি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন্দনা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে। থৌবাল জিলাদা লৈবা লৈঙাক্কী ওফিসশিং ছো লোনশিনবগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

কাংপোকপী সদর হিলসতা পুং ১২ টোটেল সটদাউন্দ লাউথোক্লে-কোটু হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-লৈখিদ্রবা ভারতগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা ডা: মনমোহোন সিংহগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-য়ুঙাং ত্রক তঙ্খায় অমা ফারে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-পাউমীদা এট্টেক তৌরকপা অমজ্ অমসুং এদিটর গীল্ডস মনিপুরনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ, পাউচে অসিগী অহানবা

লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।